# পঞ্জাবতগী হৌখিবা ইন্দো-কানাদিয়ন মঙা বৃটিস কলম্বিয়াগী গভর্ণমেন্টদা য়াওহনখ্রে

টোরোন্টো, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী): পঞ্জাব ষ্টেটতগী হৌখিবা ইন্দো-কানাদিয়ন মঙা হন্দক্তা বৃটিস কলম্বিয়া (বি সি) গী প্রেমিয়র দেবিদ ইমিনা পাঙথোকখিবা কেবিনেট রিসফল অমদা মিনিষ্টরশিং ওইনা ৱাশক লৌহনখ্রে।

ইন্দো-কানাদিয়ন মঙা হেরি বাইন্স, নিকি শর্ম্মা, জগরুপব্রার, রস্না সিংহ অমসুং রবি কাহ্লোন ভিসিগী কেপিটেল ভিক্তোরিয়াদা লৈবা গভর্ণমেন্ট হাউসতা হন্দক্তা ৱাশক লৌখিবনি। বথিন্দরদা পোকখিবা ব্রার য়ুমশকৈশ নুমিত্তা কানাদাগী বৃটিস কলম্বিয়াগী ন্যু দিমোক্রেটিক পার্টি (এন দি পি) গভর্ণমেন্টদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইনা ইন্দক্সন তৌখি।

মহাক কুমজা ২০০৪ দা সুরিগী ইলেক্সনদা মায় পাক্তুনা অহানবা ওইনা এম এল এ ওইখি অমসুং ২০১৩ ফাওবা সর্ভ তৌখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৭ অমসুং ২০২০ দা মহাক অমুক হন্না সুরি-ফ্লিটৱুদকী মীখলদা অমুকসু মায় পাক্তুনা এম এল এ ওইনা খনখি।

গভর্ণমেন্টদা য়াওনবা এপোইন্ট তৌরবা মতুংদা ব্রারনা ত্বিটর পোষ্টতা হায়খি, মদুদি ঐহাকপু



ইকায় খুম্নবীদুনা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর ট্রেদ ওইনা এপোইন্ট তৌবীবগীদমক নুংঙাইবা পোকই। ঐহাক অমসুং ঐহাক্কী কেবিনেট কোলিগশিংদা থাজবা থম্বীবগীদমক্তা প্রাইম মিনিষ্টরবু থাগৎচরি। বৃটিস কলম্বিয়াগী মীয়ামগীদমক অমুক হন্না থবক তৌবগী খুদোংচাবা পীবিবা অসিদা ঐঙোন্দা অদুক্কী মতিক নুংঙাইবা ফাওই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ইন্দিয়াদা ব্রার নেসনেল বাস্কেট টিমগী মেম্বর অমা ওইখি অমসুং মহাক ফিলোসোফিদা মাষ্টর্স দিগ্রি পায়খি। মহাক মতুং তাবদা পব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসন তম্নবগীদমক্তা কানাদাদা চৎখি। সুরি গ্রিন টিম্বরদগী হঞ্জিন হঞ্জিন মায় পাক্তুনা এম এল এ ওইরবা রস্না সিংহ বৃটিস কলম্বিয়াগী এদুকেসন এন্দ চাইল্ড ক্যের মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌবা সাউথ এসিয়াগী অহানবা নুপীনি। মহাক পোর্টফোলিও অদুবু হেন্দল তৌবা মোই সিহোটাগী মথংদা অনীশুবা পঞ্জাবিনি।

রস্না ২০২১ দা ইন্দিয়াদগী কানাদাদা চৎখি অমসুং দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স মায়োক্নরিবা নুপীশিংগী সপোর্ট ৱার্কর অমা ওইনা, কম্যুনিটি এক্তিভিষ্ট অমা ওইনা অমসুং দ্রগ অমসুং অলকোহোলগী কাউন্সিল্লর অমা ওইনা থবক তৌখি। এর্টোনি জেনরেল ওইনা এপোইন্ট তৌখিবা নিকি শর্ম্মা ক্লাইমেট পোলিসি অমসুং রি কোন্সিলিয়েসনগী এদভোকেট অমা ওইনা বিসিগী মফম কয়াদা থবক তৌখি। রেসিজম থেংনবগা মরী লৈননা মহাকপু মতম শাংনা শকখঙদুনা লাক্লি।

ত্বিট অমদা নিকিনা হায়খি, মদুদি এর্টোনি জেনরেল অমা ওইনা বি সিগী থৌগল তৌবা ফঙজবা অসি পুন্সি চুপ্পগী ওইনা ইকায় খুম্নবীবনি। মসিগীদমক্তা ঐহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর ইবিদা তৌবীমল খঙবা উৎচরি। প্রোভিন্স অসিগী মীয়ামগীদমক্তা ঐহাক্না অঙম্বা থাক্তা ঐহাক্কী কেপাসিটিগী মতুং ইন্না হোৎনজবনি।

মিনিষ্টর ওফ লেবর ওইনা অমুক হন্না এপোইন্ট তৌখিবা হেরি বাইন্সনা হায়খি, মদুদি মহাক্না বিসিবু কানাদাগী খ্বাইদগী হেন্না সেফ ওইরবা থবক্কী মফম ওইহনবা পাম্মী। ঙসি অয়ুক মিনিষ্টর ওফ লেবর ওইনা অমুক হন্না ৱাশকহনবগীদমক ঐহাক্না প্রাইম মিনিষ্টরদা তৌবীমল খঙবা উৎচরি।

পেইদ সিকলিপ, মিনিমম ৱেজ হেনগৎহনবা, ঐখোয়গী হেল্‌ঠ ৱার্করশিংবু রিপ্রেটেসন তৌবগুম্বা থবক কয়া পাঙথোক্তুনা ঐখোয়না ভিসিদা অচৌবা অহোংবা কয়া লাকহনবা ঙম্লে। হৌজিকসু ঐখোয়না তৌগদবা কয়া অমা লৈরি। রবি কাহ্লোনবু হাউজিংগী মিনিষ্টর অমসুং গভর্ণমেন্টগী হাউস লিদর ওইনা ৱাশক লৌহনখি। মহাক মমাঙদা ফোরেষ্ট, লেন্দস, নেচরেল রিছোর্স ওপরেসন অমসুং রুরেল দিভলপমেন্টগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইখিবনি।

# ইরানগী থাউ য়োনবগীদমক য়ুএসনা টর্কিজ বিজিনেসমেন অমদা অথিংবা কয়া থমখ্রে

ৱাশিংতন, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী): ইরানগী থাউ য়োনবা অমদি ইরানিয়ন রিভোল্যুসনরি গার্দস গুদস ফোর্সকী মনি লোন্দরিংগী থবক্তা খুদোংচাহনবগী মরালদা য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না মশক নাইবা টর্কিজ বিজিনেসমেন সিক্কি অয়ান অমসুং মহাক্কী কম্পেনিশিংগী নেটৱার্ককী মায়োক্তা অথিংবা কয়া থমখ্রে।

য়ুএস ট্রেজরি দিপার্টমেন্টনা শগোলশেল নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি অয়ানগী কম্পেনিশিংনা ইরানগী থাউ লৌবগীদমক্তা ইন্টরনেসনেল কন্ট্রেক্ট কয়া সাইন তৌনখি। লোয়ননা থাউ থাদোক থাজিনশিং শিল লাংখি অমদি মদুদগী ফঙলকপা শেনফমশিং লোন্দরিং তৌবদা মতেং পাঙবগা লোয়ননা ইরানগী থাউগী হৌরকফম অদুসু খঙহন্দনবা হোৎনবদা মতেং পাঙখি।

ট্রেজরি দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না অয়ানগী কম্পেনিশিংনা দোল্লর মিলিয়ন চা কয়াগী ওইগদবা ইরানগী থাউ চাইনা, য়ু এ ই অমসুং য়ুরোপকী বায়রশিংদা য়োন্নবগী কর্ম্মসিএল কন্ট্রেক্টশিং প্রিপরেসন তৌখি।

টর্কিজ বিজিনেসমেন অসিনা মতুং তাবদা রিভেন্যুশিং অদু গুদস ফোর্সতা ট্রান্সফর তৌখি। য়ুএসকী অনৌবা অথিংবশিং অদুনা অয়ানগী মচানুপা



বহাদিন অয়ান, মহাক্কী এসোসিয়েট কাসিন ওষ্টাস অমসুং মহাক্কী বিজিনেস নেটৱার্কতা চেন্নবা অতৈ টর্কিজ সিটিজন অনীগা লোয়ননা গ্রিবাল্টরদা বেজ তৌবা হোল্ডিং কম্পেনি অমা ওইরিবা মহাক্কী এএসবি গ্রুপ ওফ কম্পেনিস য়াওনা কম্পেনি ২৬ অমদি ভেসেল অমদসু টার্গেট তৌখি।

বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না লাউথোক্লিবা অথিংবশিং অদুগী মতুং ইন্না অমেরিকাদা মীওইশিং অমদি কম্পেনিশিং অসিগী এসেটশিং ব্লোক তৌরে অমসুং অমেরিকন সিটিজনশিং মখোয়গা লল্লোন ইতিক তৌনবদা অথিংবা লৈরগনি।

মমাঙদা অয়ানগী ইরানিয়ন রিভোলুসনরি গার্দসকা লৈনরিবা মরীদা রিফরেন্স পীবা রিপোর্ট অমদা পোলিটিকো মেগজিননা মহাকপু টর্কিদা লৈরিবা গুদ ফোর্সকী খ্বাইদগী চাওবা ফাইনান্সিএল নেটৱার্কতা নম্বর ১ মীওইনি হায়না ফোঙদোকখি।

টর্কিদা য়ুএসনা ইনৌ নৌনা অথিংবা কয়া লাউথোক্লিবসি টর্কিনা সিরিয়াদা চথখিবা এটেকশিংবু ৱাশিংতন্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈরিঙৈ অমসুং টর্কিনা রসিয়াগী এয়র দিফেন্সশিং লৈবগা মরী লৈননা মতম কয়াগী মমাঙদগী নুংনাংবা ফোঙদোক্তুনা লাক্লিঙৈ মরক্তনি।

সিবাসকী গোলোবা টাউনদা পোকপগা লোয়ননা মফম অসিদা চাওরকখিবা সিক্কি অয়ান ইষ্টানবুল ইমাম হাতিফ হায়স্কুলদা তমখি অমসুং অঙ্করা য়ুনিভর্সিটিগী ফেকলটি ওফ থিওলোজিদগী গ্রেজুএসন ফঙখি। মতুং তাবদা মহাক ওইল বিজিনেসতা চঙখি অমসুং ইরান অমসুং সুদানগী ওইল অমসুং নেচরেল গ্যাস ফিল্ডশিংদা ইনভেষ্ট তৌখি।

# প্রোটেষ্ট মরক্তা পেরুগী অনৌবা প্রসিদেন্টনা মীখল ঙন্না পাঙথোক্কনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখ্রে

লিমা, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী): মীয়ামগী প্রোটেষ্ট মরক্তা পেরুগী অনৌবা প্রসিদেন্ট দিনা বলৌটিনা লৈবাক অদুগী মথংগী ইলেক্সন হান্না লেপখিবা মতমদগী ঙন্না পাঙথোকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিগী মতুং ইন্না গভর্ণমেন্টনা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং কংগ্রেসকী দিমোক্রেটিক ফোর্সশিংগা ৱারী শান্নদুনা মীখল ঙন্না পাঙথোকপগী ৱাফম খন্নরকপা য়াই হায়না বলৌটিনা ইরাই নুমিত্তা লোকেল মেদিয়াদা ফোঙদোকখি।

কংগ্রেসনা মহাক্কী মমাঙদা ফম পায়রম্বা পেদ্রো কাষ্টিলোবু ইমপিছ তৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা বলৌটিনা ওফিস পায়বা হৌখি। মদু হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা লেজিসলেচর মুখৎনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদবা মতুং শুপ্নগী পুং খরগী মনুংদনি। মদুগী মতুংদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা দিটেন তৌখিবা কাষ্টিলোনা মমাঙদা ওপোজিসন্না লুচিংবা কংগ্রেসনা এপ্রুভ তৌখিবা ইমপিছমেন্ট মোশন অদু মহাক্কী মায়োক্তা চথরক্লিবা পোলিটিকেল গেমগী শরুক্কি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

পেরুগী অরেকিপা, ইকা অমসুং টাক্না রিজনশিংগী পান-অমেরিকন হায়ৱেগী মফম কয়াদা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট কন্না চথরিঙৈদা বলৌটিনা মীখল ঙন্না পাঙথোকপগী ইঙ্গিৎ অসি পীখিবনি। প্রোটেষ্টরশিংনা নুঙ, উতুপ-ৱাতুপ অমসুং টয়ারশিং শীজিন্নদুনা লম্বী থিংখি অমসুং কাষ্টিলোবু ফারিবদু মখোয়না য়ানিংদে হায়বা উৎখি অমদি মহাকপু থাদোক্নবা দিমান্দ তৌখি।

অনৌবা প্রসিদেন্ট বলৌটিনা প্রোটেষ্টরশিংদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা আপিল তৌখি অমসুং মহাক্না প্রসিদেন্সি পায়রিবদু লৈবাক অদুগী কন্সটিট্যুসনগী কাঙলোন মতুং ইন্ননি অমসুং পোলিটিকেল ক্রাইসিস অমা থোক্লক্লিবদু মহাক্না পুরকখিবা নত্তে হায়বা ৱাফম থমখি।

অনৌবা প্রসিদেন্ট অসিনা মহাক্কী মিনিষ্ট্রিএল কেবিনেটকী মিংশিং লাউথোক্তিঙৈ মমাঙদা রাইট অমসুং লেফট অনীমক্কী কংগ্রেস্নেল গ্রুপশিংগা উন্নখি।

# গনমেনশিংগী এম্বুশতা য়েমেনগী লান্মী ৩ শিরে, ৮ শোক্লে

অদেন, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী): য়েমেনগী খা নোঙপোক থংবা প্রোভিন্স হদ্রামাউটতা মশক খঙদবা গনমেনশিংনা য়েমেনি গভর্ণমেন্টগী লান্মীশিংগী কনভোই অমদা এম্বুশ চথখিবদা লান্মী অহুম শিখ্রে অমসুং নিপাননা অশোক অপন নঙখ্রে।

মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা লোকেল সেক্যুরিটি ছোর্স অমনা ইরাই নুমিত্তা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা টেরর গ্রুপশিংগী মীওইশিংনি হায়না থাজবা গনমেনশিং অদুনা হদ্রামাউটকী অল অবর দিষ্ট্রিক্টতা লান্মীশিং অদুদা এম্বুশ তৌখি। এম্বুশ অদুগী টার্গেটতি ইরাং কল্লবা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা সাউদি অরাবিয়ানা শৌগৎপা গভর্ণমেন্টগী নৌনা রিক্রুট তৌবা ট্রুপশিংগী কনভোই অমা ওইখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।



ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না টেরর এটেক্করশিং অদু গভর্ণমেন্ট লান্মীশিংগা কন্না খুৎ থোক্নরকপদগী মফম অদুদগী চেনখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি গ্রুপ অমত্তনা নত্ত্রগা ইন্দিভিজ্যুল অমত্তনা এটেক অদুগা মরী লৈননা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। তৌইগুম্বসুং লোকেল সেক্যুরিটি ওফিসলশিংনদি অসিগুম্বা এম্বুশশিং অল-কাইদা টেররিষ্ট গ্রুপকী খুৎনি হায়না থাজে। অল-কাইদা মিলিটেন্টশিংনা য়েমেনি গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মায়োক্তা এটেক তৌরগা য়াম্না থুনা চেনবগী থৌওংশিং তোইনা চথ্দুনা লাকখি। মখোয়না অবিয়ানশিং অমসুং অতৈ য়ুমথংনরিবা প্রোভিন্সশিংগী চীংনুং মানুংশিংদা লোৎতুনা এটেকশিং অদু চথরক্লিবনি। য়েমেনি গভর্ণমেন্ট অমসুং হাওথি মিলিসিয়াগী মরক্তা চহী কয়া চুপ্পা চথরক্লিবা শাথিরবা কনফ্লিক্টকী খুদোংচাবা লৌদুনা য়েমেনদা বেজ তৌবা অল-কাইদা ই ড অরাবিয়ন পেনিন্সুলা নেটৱার্কনা লানগী চৈথেং নঙলবা আরব লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা মরা তাশিন্নবা হোৎনরকখি।

গ্রুপ অসিনা হৌখিবা থা কয়া অসিদা লৈবাক অদুগী খা থংবা প্রোভিন্সশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মায়োক্তা অচৌবা এটেক কয়া চথখ্রে।


